# কাংঙুজম চিংলেনসনা থারগদি মণিপুর মচাশিংগী মরক্তগী অর্জুন এৱার্দ ফঙবা ঙম্বা শান্নরোয় পুন্না ১৮ শুরগনি



(ঙরাংগী মখা)

কাংঙুজম চিংলেনসনা, হোক্কি মশান্নদা তোপ তোপ্পা পোকপদগী লোইনজরকপা মগুন খরসু য়াওজরকখি। হোক্কি শান্নরোয় অসি হৌরকপা মতমদা ষ্ট্রাইকর ওইনা লেফ আউটকী পোজি সনদা শান্নরকখি। ফিল্ডদা য়াম্না চেকশিন্না বোল কুপ্পা শান্নবা ঙম্বগীদমক কোচশিংনা য়াম্না থাজবা থল্লকখিবা শান্নরোয়সু ওইরকখি। মরম অদুনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী সিনিয়র মরক্তা য়াওহন্দুনা শান্নহল্লকখিবগী ৱারী কয়াসু লৈরি। প্লেয়র অমা ওইনা জুনিয়র নেসনলগী চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদ্রিঙৈগী মাংওইননা মহাকপু কুমজা ২০০৭তা পঞ্জাবতা তৌখিবা 'সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ'তা মণিপুর টিমদা য়াওহন্দুনা শান্নহল্লকখি।

কুমজা ২০০৬, মশাগী চহী ১৫ শুবা ক্লাস নাইন তম্বা মতমদা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক একাদমিদা ট্রায়ল পীরুবদা মায়পাক্লক্তুনা চিংলেনসনা চহী অমরোমসু একাদমি অদুদা লৈরগা শান্নরকখি। মদুগী মখা তারকপদা, কুমজা ২০০৮দা মণিপুরদা অমুক থোরক্তুনা মতম খরা খুমন লম্পাক্কী ষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ফিল্ড তৌবা আর সি সিদা ট্রেনিং তৌরকখি।

চিংলেনসনা জুনিয়র থাক্কী প্লেয়র ওইজরবসু মহাক্কী শান্নবদা হৈশিংবা কয়া লৈবদুনা কুমজা ২০০৭তা পাঙথোকখিবা অসাম নেসনল গেমসতা থোকচোম ব্রোজেন (হান্নগী ইন্টর্নেসনল হোক্কি প্লেয়র)না মহাকপু ইন্দিয়ন এয়রলাইন্সকী টিমদা য়াওহন্দুনা শান্নহল্লকখি। অসুম্না সিনিয়র প্লেয়রশিংনা মহাকপু মফম কয়াদা লেপ্তুনা শান্নহল্লকখি। অহলশিংগী মরক্তা শান্নহনবা মতমদা মহাক্কী ফজবা খুৎশান্না কয়া মীয়াম্না উবা ফংনরকখি।

কুমজা ২০০৮দা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা 'সিনিয়র নেসনল নেহরু হোক্কি টুর্নামেন্ট'তসু নোর্থ ইষ্ট টিমগী কেপ্টেন ওইনা কাংঙুজম চিংলেনসনা শরুক য়ারকখি। হায়রিবা মতমদুদসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মাগী খুৎশান্নশিংদু উবদগী কুমজা ২০০৯দা মুম্বাইদগী অহল কোনরোই কৌবা মীওই অমনা চিংলেনসনাবু 'মুম্বাই হোক্কি লিগ' তা য়াওহন্নবগীদমক কন্টেক্ট তৌরকখি। অদুদগী মহাক মুম্বাইগী অনধেরিদা লাক্তুনা মুম্বাই কোষ্টম টিমদা য়াওদুনা শান্নরকখি। মুম্বাই হোক্কি লিগ মেচ অদুদা মুম্বাই কোষ্টম টিম সেমি ফাইনেলদা লৈহৌখি। অদুবু চথখিবা লিগ মেচতুদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা শান্নখিবগী মহৈনা চিংলেনসনা হোক্কি লিগতু হেক লোইবগা ৱেষ্টর্ন রেলৱেজ মুম্বাইদগী থবক চঙননবগী অয়াবা পীরকখি। লোয়নন্না কুমজা ২০১০গী ফেব্রুৱারি ১দা কাংঙুজম চিংলেনসনা ৱেষ্টর্ন রেলৱেজ মুম্বাইদা জোইন তৌরকখি। হায়রিবা চহীদুদা মহাক 'ইন্টর রেলৱে টুর্নামেন্ট'তসু শরুক য়ারকখি। মদুদা মহাক্না শরুক য়াখিবা টিম ৱেষ্টর্ন রেলৱে ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১০ অসি চিংলেনসনাগীদি হোক্কিগী টর্নিং পোইন্ট অমসু ওইখি। চহীসিদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়া কেম্পতা য়াওনবা কৌবা হৌরকখি। অহানবা কেম্প কৌরকপা মতমসিদদি মহাক ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা য়াওননবা সিলেক্সন ফংবা ঙমখিদে।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

## মণিপুরগী অর্জুন এৱার্দ ফংবা ঙম্বশিং

চিংলেনসনানা হোক্কিদা হেন্না মশক থোক্না শান্নবা ঙম্লকখিবা অসিমক্তি ৱেষ্টর্ন রেলৱে মুম্বাইদা লাক্লবা মতুংদগনি। কুমজা ২০১০দা পঞ্জাবতা তৌখিবা 'ওল ইন্দিয়া সুর্জিৎ সিংহ হোক্কি টুর্নামেন্ট'তা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা শান্নবা ঙমখিবগীদমক মহাক টুর্নামেন্ট অদুদা 'প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্ট'কী মীংথোল ফংবা ঙম্লকখি। মদুগী মতুংদা পাঙথোকখিবা 'অজ লাল সাহ কপ' শান্নরুরবা মতুংদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়া কেম্পতা য়াওবা ঙম্লকখি। তশেংনমকসু কুমজা ২০১০গী মতমসি ইন্দিয়া হোক্কিগী ওইনসু অকনবা মুভমেন্ট অমা শাগৎলকপা মতম ওইখি। কুমজা ২০১১দগীদি চিংলেনসনা ইন্টর্নেসনল এরেনাদা খোঙ থাঙজিন্দুনা শান্নবা ঙম্লকখি। ইন্দিয়াগী নেসনল হোক্কি টিমদা হেক য়াওবা ঙমখিবদগীদি চিংলেনসনা অশাংবা মীৎয়েং থমদুনা শান্নবা হৌরকখি। কুমজা ২০১১গী মতমসিদগীদি এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেলথ গেমস, ৱর্ল্ড কপ লোয়নন্না ওলিম্পিক য়ৌননবা অচৌবা মঙলান কয়া শাগৎপা হৌরকখি।

কুমজা ২০১০দগীদি কাংঙুজম চিংলেনসনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লেপ্তুনা পাঙথোকপা নেসনল কোচিং কেম্পতা অদুমক শরুক য়ারকখ্রে।

... মথং মথং ...



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০১

১) মখাদা পীরিবশিং অসি উখ্রুলগী অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংনি। মখোয়গী মনুংদা তোঙানবা শান্নরোয় অমা য়াওরি, মহাকসু উখ্রুলদগীনি। মহাক কনানো?
য়াঙমাশো সৈজা (চীফ মিনিষ্টর), সঙাম, অলেঙ শিমরে, ফারেঙ, রোমিও অমসুং বোরে।

২) অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াদা নেসনল কেনো স্প্রিষ্ট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখি। করম্বা ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স (Water Sports Complex)তা থৌরম অদু পাঙথোকখি।

৩) তরুকশুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবদা অশিল-অরাং তৌখিবা লুপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) অমেরিকা মচা অমগা রসিয়া মচা অমগা লোঙজম্পদা ফুট ২৭ হেন্না চোংবা ঙম্মী, মখোয় অনীবু ফুট ২৬কা খরা খক হেন্না চোংখিবা নুপা অমনা ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবদুনা মায়থীবা পীখি। সনাগী মেদল লৌখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নেসনল কোচিং কেম্পকীদমক হোক্কি ইন্দিয়ানা জুনিয়র শান্নরোয় ৩৩গী মমিং লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯(এজেন্সী)ঃ
ঙসিদগী কর্নাটাকাগী বেঙ্গালুরু কেম্পসতা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা হৌখ্রবা ইন্দিয়ন জুনিয়র ৱুমেন্স নেসনল কোচিং কেম্পকীদমক হোক্কি ইন্দিয়ানা শান্নরোয় ৩৩গী মমিং লাউথোকখ্রে।

শান্নরোয় ৩৩ অসিনা কোচ বলজিৎ সিংহ সাইনিগী মীৎয়েং মখাদা ট্রেনিং অমসুং কন্দিসিনিং কেম্প পাঙথোক্কদৌরিবনি। সেপ্টেম্বর ১২ ফাওবা চথগদৌরিবা ট্রেনিং অসি লোইরবা মতুং চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা ন্যু জিলেন্দগা পুন্না লৈবাক অহুমগী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।

মরু ওইনা শান্নরোয়শিং অসিগী ফিদনেসকী থাক ৱাংহনবা অদুগা হোক্কি মশান্নগী হৌজিক লৈরিবা ষ্টেন্দার্দ অদুসু য়ৌনবা হোৎনগনি হায়না কোচ বলজিৎ সিংহ সাইনিনা ফোঙদোকখি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপ্পরদা রসনপ্রিট কোর, খুসবু অমসুং এফ রামেংমাৱিনি। দিফেন্দরনা প্রিয়াঙ্কা, সিমরন সিংহ, মারিনা লালরামঙাকি, গগনদিপ কোর, ইসিকা চৌধরি, জোতিকা কালসি, সুমিতা অকসাতা দেখালে, উসা অমসুং পরনিত কোরনি।

মিদফিল্ডদা বলজিৎ কোর, মরিয়ানা কুজুর, কিরন, প্রল্লিন কোর, প্রিতি, অজমিনা কুজুর, বৈস্নবি ফালকে, কবিতা বাগদি, বলজিন্দর কোর অমসুং সুসমা কুমারীনি।

ফোরৱার্দতা মমতাজ খান, ব্যুতি দুংদুং, গুরমেল কোর, দিপিকা, লালরিনদিকি, জিৱন কিশ্বরি টোপো, রুতুজা পিসল, সঙ্গিতা কুমারী, যোগিতা বোরা অমসুং অনুনি।

# সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন য়ু -১৫ চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় নীংথিনা শেম শারি ঃ বিবিয়ানো

কোলকতা, ওগষ্ট ১৯(এজেন্সী)ঃ
ৱেষ্ট বঙ্গালগী কোনুং কোলকতাদা ওগষ্ট ২১দগী হৌগদৌরিবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন অন্দর ১৫ চেম্পিয়নশিপকীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা নীংথিনা শেম শারি হায়না কোচ বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখ্রে।



কোলকতাগী কলয়ানি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ওগষ্ট ২১দা অহানবা মেচ ওইনা ইন্দিয়ানা নেপালগা লম্বা তৌনগনি। হেদ কোচ বিবিয়ানোনা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুবু গোৱাদা অকনবা ট্রেনিং চথদুনা লাক্লি। মরক অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা থাইলেন্দদা ফ্রেন্দলি মেচ কয়াসু শান্নবা ঙমখি। চহী ১৫ মখাগী শান্নরোয়শিং অসি মপুং ফানা শেম শাদুনা মায়োক্নবা টিমগা থেংননবগীদমক লৈরে হায়খি।

কোচনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থাইলেন্দগী টুর অদুনা মহাক্কী শান্নরোয়শিংদা য়াম্না চাওনা কান্নবা পীখি। টিম অদুনা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেচ মরীমক মায়পাকপা ঙমখি। শান্নরোয়শিংদগী লৈরিবা ফিভম অসিদগী হেন্না হোৎনগদবা লৈত্রে হায়খি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা ইন্দিয়ানা খ্বায়দগী রেকোর্দ ফজবা ঙল্লি। টিম অসিনা টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখি। অদুগা রনর্স অপ অনীরক ওইখি। অদুবু মমাংগী চেম্পিয়ন বংলাদেশসু টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রে। অদুবু রনর্স অপতি অমুক ফাওবা তাবা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসি হন্দক্কী অসিনা ইহান হানবা ওইনা য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা য়ুম্বু ওইবগী কান্নবা অদু মেচ য়েংবা লাক্কদৌরিবা মীয়ামগী পুক্নিং থৌগৎপগী পাঙ্গল অদুনি। য়ুমগী মীয়ামগী মমাংদা শান্নবা মতমদা শান্নরোয়শিংদা অনৌবা থৌনা মতম পুন্নমক্তা ফংবা ঙমগনি।

কোচ বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুবু য়াম্না হৌনলোল খঙনা লোয়নৈ। মখোয়দা মশানা মশাবু পুক্নিং অমসুং ৱাখলগী পাঙ্গল লৈননবা মতম পুন্নমক্তা পোজিটিব ওইবা মওংদা লোয়নৈ হায়খি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়া থারগা নেপাল, বংলাদেশ, স্রি লঙ্কা অমসুং ভুটাননা রাউন্দ রোবিদ ফোর্মেটিতা শান্নগদৌরি। টিম অসিদা মণিপুরগী হৌখিবা শান্নরোয় ১০ য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি পাউমাং সিংসোন, সোরোকখাইবম প্রিতম, হালেন নোংদু, লৈমপোকপম সিবজিৎ, তোংব্রম তাইসন, সপাময়ুম রতনবী, সুখাম য়োহেনবা অমসুং নোংমৈকাপ্পম স্রিদার্থনি।

# দানিল মেদবেদেব অমসুং মেদিসন কিজনা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেন্নিসকী নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল লৌখ্রে





চিনচিনাতি, ওগষ্ট ১৯(এজেন্সী)ঃ
য়ু এস এগী ওহয়ো ষ্টেটতা লৈবা চিনচিনাতি সিটিদা পাঙথোকপা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল অদু মথংশিংনা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেব অমসুং য়ু এস এগী মেদিসন কিজনা লৌখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা দানিল মেদবেদেবনা বেলজিয়মগী শান্নরোয় দেবিদ গোফিনবু মায়থীবা পীখিবনি।

নীংশিংবা য়াই দানিল মেদবেদেবনা সেমী ফাইনেলজা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিচপু ৩-৬, ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা দেবিদ গোফিননা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা ফ্রান্সকী রিচার্দগাস্কিবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইরম্বনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মেদবেদেব অমসুং গোফিননা অহানবা সেটতগী হৌদুনা অকনবা লম্বা তৌনখি। লেং মান্ননা শান্নরকপনা মরম ওইদুনা গেম ৬-৬ ফাওবা মান্নদুনা লৈরকপদগী টাইব্রেক্তা মেদবেদেবনা সর্ভিস ফজবা হেনখিবদগী পোইন্ট ৭-৩দা থোইদুনা অহানবা সেট মায়পাক্লগা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেটতা গোফিননা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরবসু মেদবেদেবনা য়াম্না মরু ওইবা মতমদা গোফিনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা এ টি পি টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী ফাইনেলদা রসিয়াগী শান্নরোয় স্বেটলানা কুজনেটসোভাবু য়ু এস এগী শান্নরোয় মেদিসন কিজনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখিবা ৭-৫, ৭-৬(৭-৫)দা থোইদুনা নুপীগী টাইটল লৌবা ঙমখি। কিজনা ঙরাংগী টাইটল অদু থারগা চহী অসিদা অনীরকশুবা টাইটল লৌবা ঙল্লি। লোয়নন্না মহাক ৱুমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন্না নৌনা থোরকপা লিষ্টতা মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০গী মনুংদা অমুক হন্না লৈবা ঙল্লগনি হায়রি।

# রেষ্টলর সাক্সি মলিক্তা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা সো কোজ নোটিস পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯(এজেন্সী)ঃ
ওলিম্পিক্তা মেদল ফংখ্রবী রেষ্টলর সাক্সি মলিক্তা রেষ্টলিং ফেদরেন ওফ ইন্দিয়ানা নেসনল কেম্প অয়াবা য়াওদনা থাদোক্তুনা চৎলম্বগী মতাংদা সো কোজ নোটিস অমা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পীখ্রে।



লখনৌদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা চথরিবা নেসনল কেম্প অদু অয়াবা য়াওদনা কেম্প থাদোক্লগা চৎলম্বনি। ফেদরেসন অসিনা পুন্না রেষ্টলর ৪৫না কেম্প তৌরিবা অদুগী মনুংদা মরম য়াওদনা কেম্প থাদোক্লম্বগীদমক্তা রেষ্টলর ২৫ এক্সপেল তৌখ্রে।

রেষ্টলর ২৫ অদুগী মনুংদা সাক্সি (কে জি ৬২), সিমা বিস্লা (কে জি ৫০) অমসুং কিরন (কে জি ৭৬) ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। মখোয় ২৫মক ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা অমদি পাউ অমত্তা পীরমদনা কেম্পতা লৈরমদবনি হায়রি।

ফেদরেসন অসিনা শান্নরোয় ২৫মক মখা তাবা ওর্দর থোক্ত্রিবা ফাওবা নেসনল কেম্প অদুদগী তান্থোকখ্রে। মখোয়দা পীরিবা সো কোজ নোটিস অদুগী অরোইবা নুমিৎ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওইগদৌরি। সো কোজ অদু অখন্ননা সাক্সি, সিমা অমসুং কিরনদা পীবনি।

ফেদরেসন অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী বিনোদ টোমরনা কেম্প অদু লেমহৌরিবা রেষ্টলশিংগী ওইনা মখা তানা চথগনি। তান্থোকখ্রবা রেষ্টলরশিংনা অমুক হন্না কৌশিনবা য়াবগী তাঞ্জাসু লাকপা য়াই হায়খি।

# ইন্দিয়াগী স্রিকান্ত, প্রনোয় অমসুং সাই প্রনিথ ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে, নুপীগী দবলসতা জকমপুদি অমসুং রাম মায় পাকখ্রে

বাসেল, ওগষ্ট ১৯(এজেন্সী)ঃ
স্বিজর্লেন্দকী সিটি বাসেলদা লৈবা সেন্ট জোকোপসেলদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২৫রক শুবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী সিঙ্গলস মায়কৈদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্ত, কে প্রনোয় অমসুং বি সাই প্রনিথ অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। নুপী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র এম জকমপুদি অমসুং পি এস রামসু অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।







কিদম্বী স্রিকান্তনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৭শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা আয়রলেন্দগী এন ঙুয়েনগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম ১৭-২১দা শোথরম্বদগী থংনবা গেম অনীদা ২১-১৬, ২১-৬তা থোইবা ঙমদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্বিজর্লেন্দগী কর্সমায়রবু থোইরম্বা ইজরেলগী এম জিলবরমেনগা শান্নরগনি।

১৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা কনাদাগী জে হো সুবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৭, ২১-১৬দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় কে প্রনোয়না ফিনলেন্দগী ই হৈনোবু ১৭-২১, ২১-১০, ২১-১১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা সিদেদ লিন দানগা থেংনরগনি। লিন দাননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা হোংকোংগী মুয়েন টিএমবু ১৬-২১, ২১-১২, ২১-১২তা থোইরম্বনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র এম জকমপুদি অমদি পি এস রামনা অহানবা রাউন্দগী মেচতা কোতিমেলাগী পেয়র দি সি সোতো অমসুং এন সোতোময়রবু ২১-১০, ২১-১৮দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী এস তনাকা অমসুং কেয়োনি মোতোগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীগী সিঙ্গলসকী ওইনা ৫শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা অহানবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী পাই ৱাইপি অমসুং বলগেরিয়াগী এল জেটসিরি অনীগী অথোইবগা শান্নরগনি।

অমরোমদা ৮শুবা সিদেদ ওইরিবী সাইনা নেহৱালসু অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা স্বিজর্লেন্দগী এস জিকি অমদি নেদর্লেন্দসকী এস দি ভিস ঐবর্জেন অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।